### থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট টি-২০ ক্রিকেট লীগ কম নোক আউট টুর্নামেন্ট ২০১৮ হৌদোকখ্রে

# দল্লিয়ু ৱাই সী অমসুং অল অমিন মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, মে ২৭ (ঐচ এন এস): মণিপুর ক্রিকেট এসোসিএসনগী মীৎয়েং মখাদা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট ক্রিকেট এসোসিএসন্না শিন্দুনা ঙসিদগী মে ৩০ ফাওবা লুৱাংশঙবমদা লৈবা লুৱাংপোকপা ক্রিকেট ষ্টেদিয়মদা পাঙথোক্কদৌরিবা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট টি-২০ ক্রিকেট লীগ কম নোক আউট টুর্নামেন্ট ২০১৮ হৌদোকখ্রে।

তোঙান তোঙানবা টিম ৪না শরুক য়াদুনা লীগ কম নোক আউট বেসিসতা পাঙথোকপা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট টি-২০ ক্রিকেট লীগ কম নোক আউট টুর্নামেন্ট ২০১৮ হৌদোকপগী থৌরম অদুদা ইলেক্ট্রিসিটি দিপার্টমেন্টকী এ ঈ হজি এম দি হেদায়াটুল্লা, হান্নগী ফর্ষ্ট দিভিজন ক্রিকেটর এম দি অখটর হুসেন অমসুং মণিপুর ক্রিকেট এসোসিএসন (এম সী এ) গী ভাইস প্রসিদেন্টসু ওইরিবা দিপার্টমেন্ট ওফ হোর্টিকলচর এন্দ সোইল কঞ্জার্বেসনগী রিটয়ার্দ এদিসনেল দিরেক্টর সী ঐচ চাউবনা চীফ গেষ্ট, গেষ্ট ওফ ওনর অমসুং প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়াখি।



টুর্নামেন্ট অসিগী হৌদোকপগী মেচ ওইনা ঙসি অয়ুক পুং ৯ তাবগী অহানবা গ্রাউন্দদা দল্লিয়ু ৱাই সী ৱাংখেম অমসুং সী এ এল লিলোং মসজিদ রোদ শান্নখি। মেচ অদু সী এ এলনা টোস ঙমদুনা অহানবা বেট্টিং তৌখি। অহানবা ইন্নিংসতা বেট্টিং তৌখিবা সী এ এল লিলোংনা ৱিকেট ৯ তুরগা রন ৯০ লৌখি। সী এ এলগী অমিরনা বোল ২৭তা রন ২৪, রাজক্লা বোল ১৯দা রন ১২ অমসুং সরিফনা বোল ৭তা রন ৮ লৌখি।

অনীশুবা ইন্নিংসতা বেট্টিং তৌখিবা দল্লিয়ু ৱাই সী ৱাংখেম্না ৱিকেট ২ তুরগা রন ৯১ লৌদুনা মেচ অদু ৱিকেট ৮দা মায় পাকখি। অহানবা ইন্নিংসতা বোল্লিং তৌখিবা দল্লিয়ু ৱাই সীগী প্রিয়োনা ৱিকেট ৩, মঙ্গি অমসুং মাকানা ৱিকেট ২/২ লৌখি। অনীশুবা ইন্নিংসতা বোল্লিং তৌখিবা সী এ এলগী রাজক অমসুং জহিংগিরনা ৱিকেট অমমম লৌখি। মেচ অদুদা বোল ২৫দা রন ২৩ লৌবা ঙমখিবা দল্লিয়ু ৱাই সীগী শমুঙৌনা মেন ওফ দি মেচ তাখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসিগী অনীশুবা গ্রাউন্দগী মেচ ওইনা ঙসি নুংথিল অল অমিন লিলোং অমসুং এল সী আই সী মাইরেনখুল শান্নখি। মেচ অদু এল সী আই সীনা টোস ঙমদুনা অহানবা বেট্টিং তৌখি। অহানবা ইন্নিংসতা বেট্টিং তৌখিবা এল সী আই সীনা ৱিকেট লোইনা তুরগা রন ৫৭ লৌখি। এল সী আই সীগী রফিক্লা ওভর ২০দা রন ১১, রিহাসনা ওভর ১১দা রন ৬ অমসুং ইকবালনা ওভর ২০দা রন ৫ লৌখি।

অনীশুবা ইন্নিংসতা বেট্টিং তৌখিবা অল অমিন লিলোংনা ৱিকেট ৩ তুরগা রন ৫৮ লৌদুনা ৱিকেট ৭তা মায় পাকখি। অল অমিনগী সমিরনা ওভর ১৬তা রন ২০, নৌসাটনা বোল ৩দা রন ৫, অবদুলানা বোল ৬তা রন ৮ লৌখি। অহানবা ইন্নিংসতা বোল্লিং তৌখিবা অল অমিনগী নৌসাটনা ওভর ২ লংবদা ৱিকেট ৪, সমিরনা ওভর ৪ লংবদা ৱিকেট ৪ অমসুং সাবৱান্না ওভর ২ লংবদা ৱিকেট ১ লৌখি।

অনীশুবা ইন্নিংসতা বোল্লিং তৌখিবা এল সী আই সীগী সবা খান্না ওভর ১ লংবদা ৱিকেট ২ অমসুং মিরসাখান্না ওভর ২ লংবদা ৱিকেট ১ লৌখি। মেচ অদুদা ৱিকেট ৪গা রন ২০ লৌখিবা অল অমিনগী এম দি সমিরনা মেন ওফ দি মেচ তাখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী মখা চত্থরকপা মেচ ওইনা হয়েং অয়ূক এল সী আই সী অমসুং সী এ এল শান্নগনি। অদুগা নুংথিলদনা অল অমিন অমসুং দল্লিয়ু ৱাই সী শান্নগনি হায়রি।

### অহানবা এস দি এ য়ু ট্রোফি ২০১৮

# এ কে এস এ অমসুং মন্তক এফ সী মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, মে ২৭ (ঐচ এন এস) : সোসল দিভলপমেন্ট এথলেটিক য়ুনিয়ন (এস দি এ য়ু) তেকচম্না শিন্দুনা তেকচম হায়স্কুলগী গ্রাউন্দদা পাঙথোকপা অহানবা এস দি এ য়ু ট্রোফি ২০১৮গী ঙসি শান্নখিবা মেচশিংদা এ কে এস এ ককচীং খুনৌ অমসুং মন্তক এফ সী মায় পাকখ্রে।

তোঙান তোঙানবা টিম ২৪না শরুক য়াদুনা গ্রুপ ৮ থোক্লা খাইদোক্তুনা পাঙথোকপা অহানবা এস দি এ য়ু ট্রোফি ২০১৮গী অনীশুবা মেচ ওইনা অহানবা গ্রাউন্দগী নুংথিল পুং ১.৩০ তাবদগী গ্রুপ বিগী ৱাই এফ এ চীংথাম অমসুং এ কে এস এ ককচীং খুনৌ শান্নখি। মেচ অদু হেক হৌবদগী লোইবা ফাওবা টিম অনীনা ফজনা শান্নখি। অহানবা হাফকী ৪শুবা মিনটতা ৱাই এফ এগী জর্সি নম্বর ৭ কে ঐচননাওনা গোল অমা চন্দুনা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা মহাক্কী টিম্না গোল ১-০দা মাঙজিল থানা চৎখি।



অনীশুবা হাফ হেক হৌরকপদগী এ কে এস এগী শান্নরোয়শিংনা মেচ অদু লাকশিন্দুনা শান্নরকপা উখি। মেচকী ২৫শুবা মিনটতা এ কে এস এগী জর্সি নম্বর ৯ এম ওকেন্না গোল অমা চন্দুনা মেচ অদু গোল ১-১দা ইক্কেলাইজ তৌখি। গোল ইক্কেলাইজ তৌখ্রবা মতুং মিনট ২ কান্নরগা মেচকী ২৭শুবা মিনটতা এ কে এস এগী জর্সি নম্বর ১০ এল রোসন্না মহাক্কী টিমগী অনীশুবা গোল চনশিনখি। মেচকী ৩১শুবা মিনটতা অমুক এ কে এস এগী জর্সি নম্বর ৭ কে ঐচ কৃষ্ণনন্দনা মহাক্কী টিমগী অহুমশুবা গোল চনশিন্দুনা মেচ অদু এ কে এস এনা গোল ৩-১দা মাঙজিল থাদুনা লৈখি। ৱাই এফ এগী শান্নরোয়শিংনা এ কে এস এনা মাঙজিল থাদুনা চৎলিবা গোলশিং অদু হন্দোক্লবা অকনবা এটেক কয়া চত্থরকখি। এ কে এস এগী মায়কৈদগীসু ৱাই এফ এনা চত্থরক্লিবা এটেকশিং অদু দিফেন্দ তৌদুনা শান্নরকখি। মেচকী ৩৮শুবা মিনটতা এল রোসন্না মহাক্কী অনীশুবা গোল চল্লগা মেচ অদু এ কে এস এনা গোল ৪-১দা লৈদুনা মায় পাকপগী লম্বীদা পুশিল্লকখি। মেচকী অরোইবা মীকুপ ফাওবদা এ কে এস এগী মাঙজিল থানা চৎলিবা গোলশিং অদু হন্দোকপা ঙমদনা ৱাই এফ এ মায়থীহৌখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী অহুমশুবা মেচ ওইনা ঙসিগী অনীশুবা গ্রাউন্দগী নুংথিল পুং ৪ তাবগী গ্রুপ সীগী মন্তক এফ সী অমসুং এস দি এ য়ু-বি তেকচম শান্নখি। মেচ অদু হেক হৌবদগী লোইবা ফাওবা মন্তক এফ সীনা এস দি এ য়ু-বিবু লাকচনা শান্নখি। মেচ অদু লোইশিল্লকপদা মন্তক এফ সীনা এস দি এ য়ু-বিবু গোল ৬-০দা মায়থীবা পীখি। মন্তক এফ সীগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ২৩ চুংনৈহেলনা মেচকী ১০শুবা অমসুং ১৬শুবা মিনট অমদি জর্সি নম্বর ৭ ঙামনৈরেলনা মেচকী ১৪শুবা অমসুং ১৯শুবা মিনটতা গোল ২/২ চনখি। জর্সি নম্বর ৬ সোনৈনিরনা মেচকী ৩৬শুবা অমসুং জর্সি নম্বর ৯ লিনৈফুননা মেচকী ৩৮শুবা মিনটতা গোল অমমম চনখিবনি।

## কেরেলা ব্লাষ্টর্স এফ সিগী ট্রায়ল সেলেক্সন

ইম্ফাল, মে ২৭ (ঐচএনএস)ঃ কেরেলা ব্লাষ্টর্স ফুটবোল ক্লবনা য়ুঠ রেসিদেন্সিএল একাদমীগী ওইনা চহী ১৫ মখা অমসুং চহী ১৮ মখাদা লৈবা শান্নরোয়শিং খনবগী ট্রায়ল সেলেক্সন অমা ইম্ফালগী খুমন লম্পাকতা লৈবা আর্টিফিসিএল টর্ফ গ্রাউন্দদা মে ২৮ অমসুং ২৯দা পাঙথোক্লগনি হায়না ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসনগী মায়কৈদগী প্রেসতা ফোঙদোরক্লি।

চহী ১৫ মখাগী প্রিলিমিনরি ট্রায়ল অদুনা মে ২৮গী অয়ুক পুং ৭.৩০দগীনা ১১ ফাওবা পাঙথোকনি। চহী ১৮ মখাগীনা নুংথিল পুং ৩দগীনা ৬ ফাওবা পাঙথোক্লগা ফাইনেল ট্রায়ল অদুনা মে ২৯গী অয়ুক পুং ৭.৩০দগীনা পুং ১১ তাবা ফাওবগী মনুংদা চহী কাংলুপ অনীমক্কী পুন্না পাঙথোক্কনি হায়না চেরোল অসিনা মখা তারি।

## এক্সপ্রেসন ওফ ইন্টরেষ্ট কৌরি

ইম্ফাল, মে ২৭ (ঐচএনএস)ঃ ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসন্না শিন্দুনা পাঙথোক্কদৌরিবা ৩শুবা ইদিসন ওইগদৌরিবা হিরো ইন্দিয়ান ৱিমেন্স লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টতা শরুক য়ানিংবা ক্লবশিংদা এক্সপ্রেসন ওফ ইন্টরেষ্ট কৌরক্লি হায়না প্রেসতা ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসনগী মায়কৈদগী প্রেসকা খঙহল্লক্লি। য়াওনিংবা ক্লবশিংনা মখোয়-মখোয়গী ওফিসিএল লেটর হেদ শিজিন্নদুনা থা অসিগী ৩১ ফাওবগী মনুংদা ইন্টরেষ্ট অদু পীশিল্লকপা য়াগনি হায়রি।

## শান্নরোয় ওকপগী থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, মে ২৭ (ঐচ এন এস)ঃ চহী অসিগী এপ্রিল ২৯ অমদি ৩০দা মণিপুর এমেচর বোদি বিল্ডিং এসোসিএসন্না শিন্দুন পাঙথোকখিবা ৬শুবা মণিপুর লেভেল মিষ্টর সাফবা কন্টেষ্টতা শরুক য়াদুনা তোঙান-তোঙানবা মনা ফঙলকখ্রবা ক্লিওপত্র ফিটনেস সেন্টর, নম্বোলগী শান্নরোয়শিং ওকপগী থৌরন অমা সেন্টর অসিদা পাঙথোকখ্রে।



থৌরম অদুদা ওকখিবা শান্নরোয়শিং অদুদি, ষ্টেট লেভেল মেন্স ফিজিক ওভরোল টাইটল অমসুং সব-জুনিয়র সুপর টোলদা গোল্ড মেডল ফংখিবা অতোম জেকি সিংহ, ষ্টেট লেভেল সব-জুনিয়র ওভরোল টাইটল, সব-জুনিয়র মেদিয়মদা গোল্ড অমসুং দিষ্ট্রিক্ট লেভেল মেদিয়মদা সিলভর লৌরকখিবা লৌরেম্বম ইনাওবা সিংহ, ষ্টেট লেভেল সব-জুনিয়র মেদিয়মদা ব্রোঞ্জ অমদি ষ্টেট লেভেল মেন্স ফিজিক্তা ৫শুবা পোজিসন তারকখিবা সগোলসেম সন্তোস সিংহ অমসুং ষ্টেট লেভেল মেন্স ফিজিকতা ৪শুবা পোজিসন তারকখিবা থৌনাওজম মার্টিন সিংহনি।

ওকপগী থৌরম অদুদা ক্লিওপত্র ফিটনেস সেন্টর, নম্বোলগী প্রোপ্রাইটর পি উপেন্দ্রো, হেদ কোচ আর কে চাওথোই, কোচ এ বিনোয় অমসুং ইন্সট্রক্টর ৫সু শরুক য়াখি।

## গোল কীপিং কোর্স পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, মে ২৭ (ঐচএনএস)ঃ ইন্দিজিনিয়স স্পোর্টস, ন্যু দেল্লীগী মীৎয়েং মখাদা অনীরকশুবা ওইনা নুমিৎ ১০ চুপ্পা চত্থগদবা গোল কীপিং কোর্স অমা পাঙথোক্লগনি হায়না প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি। জুন ৮দগী ১৭ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা গোল কীপিং কোর্স অসিদা এএফসি গোল কীপিং কোচকী লেভেল ২ ফংলবা এস প্রেমকান্তা অমদি এল রোনিবলা চনু লোয়নন্না আইএসএল গোল কীপর এস পোরৈঙানবনা লমজিং লমতাক-পিগদৌরি। কোর্স অসি য়াওনিংবশিংনা মপাল কাংজৈবুংদা লৈবা ইষ্টর্ন স্পোর্টসতগী লুপা ৫০০পীবা ফোর্ম লৌরগা জুন ৫ ফাওবগী মনুংদা পীশিনবা য়াগনি হায়রি।

## ওল ইন্দিয়া সেবেন এ সাইদ সেরেব্রেল পালসি ফুটবোল চেম্পিয়ন্সিপ, ২০১৮

ইম্ফাল, মে ২৭ (ঐচ এন এস)ঃ সেরেব্রেল পালসি স্পোর্টস এসোসিএসন, ইন্দিয়ানা শিন্দুনা ছটিসগরগী সিটি রাইগরদা লৈবা জিন্দাজ ষ্টিল প্লান্ট ফুটবোল গ্রাউন্দদা জুন ২২দগী ২৪ ফাওবা সেরেব্রেল পালসিনা শোকহল্লবা পেরা দেফ অমসুং পেরা দম্ব ওইরবা শান্নরোয়শিংগী ওইবা ওল ইন্দিয়া সেবেন এ সাইদ ফুটবোল চেম্পিয়ন্সিপ, ২০১৮ পাঙথোক্কদৌরি।

কোলকটা কিংস, চেন্নাই চেলেঞ্জর্স, মুম্বাই মহারাজাস, দেল্লী ড্রেগোন্স, গোৱা জাইন্টস অমসুং হায়দরবাদ হিরোস পুন্না টিম ৬ অসিনা শরুক য়াগদৌরিবা চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা লৈবাক অসিগী এফিলিএট তৌরবা য়ুনিটশিংগী প্রসিদেন্ট অমসুং জেনরেল সেক্রেটরিদা টিম শেমদুনা শরুক য়ারনা ফোঙদোরক্লি।

মণিপুরগী ওইনা মশাগী চহী ১৭তগীনা ৩০ ফাওবগী মনুংদা লৈবা সেরেব্রেল পালসিনা শোকহল্লবা শান্নরোয়শিংনা পেরালিম্পিক কমিটি মণিপুরগী জেনরেল সেক্রেটরি মোইরাংথেম ইনাও সিংহদা জুন ৬ ফাওবগী মনুংদা মিং পীশিনবা য়াগনি হায়রি।

টুর্নামেন্ট অসিগী অহানবা পোজিসন তাবা টিমদা শেলগী মনা লুপা লিশীং ২৫, অনীশুবা পোজিসন তাবদনা লুপা লিশীং ১৫ পীগদৌরি। লোয়নন্না শান্নরোয় অমদি ওফিসল পুম্নমক টি-সার্ট অমদি মমেন্টো ফংগনি হায়রি।

# নাওরেমথোং এফ সী, মোইরাং এফ সী, এম এল ৱাই এল সী-এ মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, মে ২৭ (ঐচএনএস) ঃ ময়াং লাংজিং য়ুথ লাইব্রেরি ক্লব (এম এল ৱাই এল সী) না শিন্দুনা ময়াং লাংজিং তমাং কাংজৈবুং গ্রাউন্দদা পাঙথোকপা ১৩শুবা ষ্টেট লেভেল সভেন এ সাইদ ভিলেজ ৱাইজ ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮গী ঙসি শান্নখিবা মেচশিংদা নাওরেমথোং এফ সী, মোইরাং এফ সী অমসুং এম এল ৱাই এল সী-এ মায় পাকখ্রে।

তোঙান তোঙানবা টিম ১৯না শরুক য়াদুনা গ্রুপ ৪ থোক্লা খাইদোক্তুনা পাঙথোকপা ১৩শুবা ষ্টেট লেভেল সভেন এ সাইদ ভিলেজ ৱাইজ ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮গী মখা চত্থরকপা মেচ ওইনা ঙসিগী অহানবা গ্রাউন্দগী গ্রুপ সীগী নাওরেমথোং এফ সী অমসুং কে এ এল এফ সী কামেং শান্নখি। মেচ অদু টিম অনীনা হেক হৌবদগী লোইবা ফাওবা ফজনা শান্নখি। মেচ অদু লোইশিল্লকপদা নাওরেমথোং এফ সীনা কে এ এল এফ সী কামেংবু গোল ২-০দা মায়থীবা পীখি। নাওরেমথোং এফ সীগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু সন্তোস অমসুং লোয়াঙম্বনা মেচকী ১৯শুবা অমসুং ২৫শুবা মিনটতা চনখিবনি।

ঙসিগী অনীশুবা গ্রাউন্দগী গ্রুপ বিগী মেচ ওইনা মোইরাং এফ সী অমসুং বি সী পোৎশংবম শান্নখি। মেচ অদু লোইশিল্লকপদা মোইরাং এফ সীনা বি সী পোৎশংবম্বু গোল ৩-১দা মায়থীবা পীখি। মোইরাং এফ সীগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু ন্যুটন্না মেচকী ২৭শুবা অমসুং ৩০শুবা মিনটতা গোল ২ অমদি নাওবীনা মেচকী ২০শুবা মিনটতা চনখি। বি সী পোৎশংবমগী গোল অদুনা তোম্বনা মেচকী ১৫শুবা মিনটতা চনখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসিগী অহুমশুবা গ্রাউন্দগী গ্রুপ সীগী মেচ ওইনা এম এল ৱাই এল সী-এ অমসুং এস কে ৱাই দি সী কামেং সাবল শান্নখিবা মেচ অদু এম এল ৱাই এল সী-এনা গোল ৩-০দা মায় পাকখি।

## চেছ শান্নরোয়শিংবু য়োকখৎপিয়ু

ইম্ফাল, মে ২৭ (ঐচ এন এস)ঃ মণিপুরগী চেছ শান্নরোয়শিংনা নেসনেল লেভেল টুর্নামেন্টশিং শরুক য়াবদা খুরৌ থাংলিবা অসি কোকহন্দুনা শান্নরোয়শিং অসিবু য়োকখৎপিয়ু হায়না চেছ প্লেয়রর্স এন্দ লভর্স এসোসিএন ওফ মণিপুরনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

চেরোল অসিনা মখা তারদুনা এমসিএ (মণিপুর চেছ এসোসিএসন)গী মমাংদা চয়েৎনবা লৈরম্বা অদু লৈত্রে। এসোসিএসন অসিগী অনৌবা থৌপুবা খন্নবগী নোটিফিকেসন থোকখ্রবা মতুং এদ-হোক কমিটি চেছ মণিপুর হায়বা অমমুক শেমদুনা সেলেক্সন টুর্নামেন্ট ময়াম অমা পাঙথোক্লগনি হায়বা পাউ-চেশিংদা ফোংদোরক্লিবা অসিনা শান্নরোয়শিংদা চমম্নবা অমা পোকহল্লে।

মতাং অসিদা চেছ প্লেয়রর্স এন্দ লভর্স এসোসিএন ওফ মণিপুরনা এদ-হোক কম্মিটি চেছ মণিপুর অমসুং মণিপুর চেছ এসোসিএসনগী মায়কৈদগী শেংদোরক্কদবনি। নত্রবদি চেছ শান্নরোয় অমত্তা লুপ অনি অসিনা শিন্দুনা পাঙথোকপা টুর্নামেন্ট অমত্তা য়াওহনবিগনু, কনাগুম্বা শান্নরোয়শিং য়াওরম্বা তারবদি চেছ প্লেয়রর্স এন্দ লভর্স এসোসিএন ওফ মণিপুরনা শান্নরোয় অদু মতম পুম্বগী ওইনা তাম্বোক্কনি হায়না চেরোল অসিনা মখা তারি।

# ৬শুবা টি ঐচ শ্যামকুমার ইনভাইটেসন কেশ প্রাইজ ফুটবোল টুর্নামেন্ট হৌদোকখ্রে

ইম্ফাল, মে ২৭ (ঐচ এন এস) ঃ ওল পোইরৌখোনজিন য়ুনাইটেদ ক্লবস ওর্গেনাইজেসন (এ পি য়ু সী ও) য়াইরিপোক্লা শিন্দুনা থম্বালনু স্পোর্টস কমপ্লেক্স পোইরৌখোনজিন্দা ঙসিদগী ৬শুবা টি ঐচ শ্যামকুমার ইনভাইটেসন কেশ প্রাইজ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮ হৌদোকখ্রে।

তোঙান তোঙানবা টিম ১৩না শরুক য়াদুনা গ্রুপ ৪ থোক্লা খাইদোক্লগা পাঙথোকপা ৬শুবা টি ঐচ শ্যামকুমার ইনভাইটেসন কেশ প্রাইজ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮ হৌদোকপগী থৌরম অদুদা য়ুথ এফ্যেরস এন্দ স্পোর্টস অমসুং ৱাটর রিছোর্সকী মিনিষ্টর লেটপাও হাওকিপনা চীফ গেষ্ট, ফোরেষ্ট এন্দ এনভাইরোনমেন্ট, হোর্টিকলচর এন্দ সোইল কঞ্জার্ভেসন অমসুং টাউন প্লান্নিং, এম এ ঐচ য়ু দিগী মিনিষ্টর থৌনাওজম শ্যাম কুমারনা প্রসিদেন্ট অমসুং অন্দ্রো কেন্দ্র দিভলপমেন্ট ওর্গেনাইজেসনগী প্রসিদেন্ট সী ঐচ সুরেসনা গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী অহানবা মেচ ওইনা ঙসি নুংথিল পুং ৩.৪৭ তাবদগী গ্রুপ বিগী এ এফ সী অংথা অমসুং এ পি য়ু সী ও-এ পোইরৌখোনজিন শান্নখি। মেচ অদু হেক হৌবদগী লোইবা ফাওবা টিম অনীনা অকনবা লম্বা তৌনদুনা ফজনা শান্নখি। অহানবা হাফকী ১০শুবা মিনটতা এ এ এফ সীগী জর্সি নম্বর ১১ এন বিনন্না গোল অমা চন্দুনা মেচ অদু মহাক্কী টিম্না গোল ১-০দা মাঙজিল থাখি। মেচকী ২৩শুবা মিনটতা এ পি য়ু সী ও-এগী জর্সি নম্বর ৮ অমরজিৎনা এ এ এফ সীগী গোল অদু হন্দোক্তুনা মেচ অদু গোল ১-১দা ইক্কেলাইজ তৌখি। মেচকী অরোইবা মীকুপ ফাওবদা টিম অনীগী মায়কৈদগী অহেনবা গোল চন্নবা ঙমদবদগী মেচ অদু গোল ১-১দা ড্রো চৎখি।










Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal, Manipur
Editor : Hemantakumar Ningomba; Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com